৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ত্রাও এফ সী মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

62nd CC Meet 2019-20
Today Match
TRAU vs NISA
5 - 3
(28-12-2019) (Time : 1:45)
Loban Club vs Klasa Keinou



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ত্রাও এফ সীনা নিশা থাংমৈবন্দবু পেনালটিদা পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌবগা নিশা থাংমৈবন্দ অমসুং ত্রাও এফ সী য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। ত্রাও এফ সী আই লীগকী টিম ওইজরবসু নিশা থাংমৈবন্দগী মায়কৈদা দোমিনেন্ট তৌনা শান্নবা ঙমখিদে। টিম অনীনা চথনখিবা এটেকশিংদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা য়াওরবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে। মেচকী ২০শুবা মিনটতা নিশাগী শান্নরোয় ঐচ তেলহৈবনা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা ত্রাওগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা কাউন্টর এটেক অমা সুধির জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহৌদবদগী নীংবা কায়খি। শান্নবগী লোইরমদাই মিনট ১৫ মুক্তা ঙাইরবা মতমদা নিশা থাংমৈবন্দনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। অদুবু ত্রাওগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লিংনা লৈখিবনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী পেনালটি কাওনখি। টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা ত্রাওগী মায়কৈদগী প্রিন্স ৰিল জর্সি নম্বর ১০, এস ঐচ নেত্রজিৎ জর্সি নম্বর ২৪, জিম্মি জর্সি নম্বর ১২, শাহাবাজ খান জর্সি নম্বর ২ অমদি এস দিনেস জর্সি নম্বর ১৫না পাঞ্জল চনখি। অদুগা নিশা থাংমৈবন্দগী মায়কৈদগী ওকোরোজো জর্সি নম্বর ২৫, লমজিংবা জর্সি নম্বর ৪ অমদি এম ক্লিন্টন জর্সি নম্বর ১৬না পাঞ্জল চনখি। মেচ অসিদা ত্রাও এফ সীনা নিশা থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ঈ এস য়ুনা পময়ালবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে, কে ৰাই য়ু ও অমসুং এস দব্লিয়ু সী দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ঈ এস য়ুনা পময়ালবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা কে ৰাই য়ু ও অমসুং এস দব্লিয়ু সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চংখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১০না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা পময়াল অমসুং ঈ এস য়ু লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হেক হৌরকপগা ঈ এস য়ুনা পময়ালবু খুদুম চন্দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ঈ এস য়ুগী শান্নরোয় পিনাওবা মৈতৈ জর্সি নম্বর ১৭না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

পময়ালগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজ ফংনবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা ঈ এস য়ুনা মখা তানা লেপ্তুনা এটেক চথরকখি। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এম অরিফ হুসেন জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা টিমমেট এল ঙৌবা মৈতৈ জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা লৈহনখি।

ঈ এস য়ুনা লেপ্তুনা চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ৫১ শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এস ঐচ রাজদন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুদা ৪-০দা লৈহনখি। পময়ালগী মায়কৈদগী মেচ অসিগী লোইরমদাই ৭০ প্লস টুচৎপা মিনটতা এম মাইকেল জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-৪দা লৈহনখি। অদুবু মখা তাবা পাঞ্জলশিং হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ঈ এস য়ুনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৰাই ভি ও অমসুং এস দব্লিয়ু সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপগী টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা য়াম্না ফজনা তক্লদুনা শান্নরকখি। টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নরকখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্দবা য়াদে মতাগুম য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা মেচ অসি দ্রো চংখি।

কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

# এস এস সী সেক্তা অমসুং কে এস দি সী খোমিদোক ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থম্বালখোং ৰাই দব্লিয়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এস এস সী সেক্তানা য়ু দি ও হৈঙাংবু পাঞ্জল ১-০দা অদুগা অসি লোইশিল্লকপদা কে এস দি সী খোমিদোকনা বি এস য়ু কৈরাওবু পাঞ্জল ১৩-১২দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতনা কে এস দি সী খোমিদোকনা বি এস য়ু কৈরাওবু পাঞ্জল ১৩-১২দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে। ফাইনেলদা এস এস সী সেক্তা অমসুং কে এস দি সী খোমিদোক থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এস এস সী সেক্তা অমসুং য়ু দি ও হৈঙাং লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এস সী সেক্তানা য়ু দি ও হৈঙাংবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে। এস এস সী সেক্তাগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ৰাই বিগ্যানন্দ জর্সি নম্বর ৫না চনখিবনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা বি এস য়ু কৈরাও অমসুং কে এস দি সী খোমিদোক লম্বা তৌনখি। মেচ অসি লোইশিল্লকপদা কে এস দি সী খোমিদোকনা বি এস য়ু কৈরাওবু পাঞ্জল ১৩-১২দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি।

# ১৬শুবা জুনিয়র নেসনল রোপ জম্প চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): জম্প রোপ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা স্পোন্টেনিয়স এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরনা শীন্দুনা ১৬শুবা জুনিয়র নেসনল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৰাংখেম এ সীগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি মণিপুর য়াওনা মপানগী ষ্টেট ৬তগী লাকপা শান্নরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়ারি। ঙসি ফোর্মেল ফঙ্কসন ওইনা হৌদোক্লবা মতুং হয়েংদগী কম্পিটিসন হৌগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৰাংখেম এ সীগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, সী এ য়ুগী ফোর্মর দিন ডা. এন ইবোতোন, জম্প রোপ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর সুনিতা জোসি, কৈরাও এ সীগী সোসল ৰার্কর এম দি ইস্লামুদ্দিন খান, স্পোন্টেনিয়স এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ (মণিপুর) গী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দি নাসিমুদ্দিন, টুর্নামেন্ট দিরেক্টর এম দি নাসিরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, স্পেসল গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

৪শুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ টুর্নামেন্ট

# নোংনা মরম ওইদুনা মেচ লোইশিনখিদ্রে, টিম অনীনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪শুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা লোইশিনখিদ্রে। টিম অনীনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৪শুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অম্পয়রনা রিসিকুমার অমসুং জুগেননা ওইখি। মেচ অসিদা মোদেল ক্লবনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোননা অপীবা ওভর ২০ মায়োক্লবদা ৰিকেট ৪ তুরগা রন ১৬৩ লৌবা ঙমখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী রনশিং অদু সশিনা বোল ২৯ মায়োক্লবদা রন ৪৪, থোইথোইনা বোল ২৮ মায়োক্লবদা রন ৪২, রোহিন্দ্রোনা বোল ৪৪ মায়োক্লবদা রন ৪২ অমদি শ্যামসুন্দরনা বোল ৮ মায়োক্লবদা রন ৯ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌবদা মোদেল ক্লবকী মায়কৈদগী সরতচন্দ্রনা ওভর ৪ লংবদা ৰিকেট ১, দামিননা ওভর ৪ লংবদা ৰিকেট ১, প্যারলালনা ওভর ৪ লংবদা ৰিকেট ১, সুরেসনা ওভর ৪ লংবদা ৰিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংস অদু নোংনা মরম ওইদুনা শান্নখিদ্রে। টিম অনীনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। হয়েংগী মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লি অমসুং ৰাই দব্লিয়ু সী লংথবাল শান্নরগনি হায়রি।

# ত্রেনিং কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): ফিফটিন দেজ নন রেসিদেন্সিএল হুয়েন লানলোং (থাঙ-তা, চৈবি সরিৎ সরাক) ত্রেনিং কেম্প থা অসিগী ২৬তগী ইপুথৌ ইকোপনিংথৌ লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা হৌদোকখ্রে। ত্রেনিং কেম্প অসি মথং চহীগী জন্যুৰারী ৯ ফাওবা চথগনি হায়না অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।১২।২০১৯ ইং, থাংজ, অয়ুক পুং ১১.১০ ফাওবা ৰাকচিংগী ২নি পাল্লি মতুং ৩নি পাল্লনি।

**মেষ :** ৰাঙাঙ হৈত্রবদি নথক থোংবনা চানবীদবা অমদি য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাওবা য়াবা লৈ। খাংবা কনদ্রদি লন মাঙগনি । মরুপ-মপাংনদি চানগনি, নীংবা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** থিবা হুন্বা কল্লু, নচাক নরল চেকশিল্লু অমদি মীৰা লৌরদি মাঙজগনি। থেংলপ্পা মীয়ামগী মতেং ফংগনি। পংশিন্নবনা অশিংবা ওইগনি, নথক থোংবগী ৰা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংনা ৰাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** নাপল তৌবনা মায়থীবা অমদি অকিবা নংবা য়াবা লৈ। শেল ফংবা য়াবা অমদি নচা ননাইগী লম্দা হরাওবা লৈগনি। নঙগী ওইবা মীগা মুক্লগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** লাইবক ফবা হেনবা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অশাওবদি থাদোকউ অদুবু নচাক নরল চাওখৎনবা অনম তানবদি তোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**সিংহ :** মীচং হেনগৎকনি, লল্লোন ইতিক অমদি অনৌবা অশাগা লোয়ননা পায়খৎপা থবক খুদিং শোইদনা মায় পাক্কনি। অচুম্বনা মায় পাকচৌ হায়বসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** থবক থৌরমদা মী ফত্তনা য়েংশিল্লি, শাজৎ হৈয়ু অমদি মরুপ মপাংগা শিংবা তান্নবা মাঙজগনি। নচাক নরলদি শোইদনা চাওখৎকনি, লাই-গুরুনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা নুংশিবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**তুলা :** থবক পাংবদি ৰাগনি অদুনা ঙমলোইদবদা হোয়া ফগনু অমদি মরুপ-মপাংগা ৰাখল তান্ননবা হোৎনবা ফৈ। লৈঙাক্কী লম্দদি মীকোক থোংলগনি, হনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৰাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক :** মায় পাক্কনি, মীচং খোম্বা য়াগনি অমদি থৌরম পাংগনি। অদুবু খোইরাংবদি লৈ, চিন শোইরদি লন মাঙগনি, য়েৎনরদি নঙগী মীগা য়েক্লগনি-খাংখো।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** হন্থবা লোয়নগনু অমদি মখোয়গী ৰা তারুনু। থাজদনা নঙগী মীচংনি খনবনা অয়েৎপা ওইনা থোক্কনি অদুনা লাই-গুরুগী ৰা তাদনা অরুবা থবক পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীনা ইনশিনবা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/কাংশুবী।

**মকর :** হরাওবা-নুংঙাইবা, ইমুং-মনুং পুন্না চংশিনবা লম্দা শোইদনা চাওনা মায় পাক্কনি। মীয়াম্নদি থোইনা থাগৎপিগনি অমদি নুংঙাইবা ফংগনি। নাপলদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কুম্বা :** মীকোক থোংগনি, কনানসু লাকচবা ঙল্লোই, অফবা লৈফম অমদি থৌনা ফুদোকপনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। তুংগী পোরম য়াৎপা, মীংচৎ ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** শেল-থুমগী লম্দা চাওনা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরম পাংবা অকাইবা লৈরোই অমদি অঙম্বনা থোইনা চানবীগনি। পাল্লবদি লন তাশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমসতা মণিপুরগী জীট কুনে-দো টিমনা টিম চেম্পিয়ন ওইরে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা থা অসিগী ২৪দগী ২৭ ফাওবা চথরকখিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমসকী অন্দর-১৯ জীট কুনে-দোদা নুপীগী টিমনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। লোয়ননা নুপামচাগী টিমনা সেকেন্দ রন্নর্স-অপ ফংবা ঙমখ্রে হায়না জীট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪৫গী কাঙলূপ্তা এল অনুন্দাস (সিলভর), কেজি ৪৫-৪৭ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এস জেকসন (ব্রোঞ্জ), কেজি ৪৭-৪৯ ফাওবগী কাঙলূপ্তা জেনিট চোংথাম (ব্রোঞ্জ), কেজি ৪৯-৫১ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এস কেনেদি (সিলভর), কেজি ৫১-৫৩ ফাওবগী কাঙলূপ্তা সী ঐচ বোলেন্দ্রো (ব্রোঞ্জ), কেজি ৫৫-৫৭ ফাওবগী কাঙলূপ্তা সী ঐচ বোরিস (ব্রোঞ্জ), কেজি ৫৭-৫৯ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এম দি মুজাহিদ (সিলভর), কেজি ৫৯-৬১ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এন জি সনাথোই (ব্রোঞ্জ) নি।

নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুনা কেজি ৪৫গী কাঙলূপ্তা এন জি সনিয়া (গোল্ড), কেজি ৪৫-৪৭ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এল লিন্থোই চনু (সিলভর), কেজি ৪৭-৪৯ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এস সঞ্জিতা (ব্রোঞ্জ), কেজি ৫৯-৬১ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এ সুশিলা (গোল্ড), কেজি ৫৩-৫৫ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এন রানি চনু (সিলভর), কেজি ৫৫-৫৭ ফাওবগী কাঙলূপ্তা ঐচ মেমথোই চনু (গোল্ড), কেজি ৫৭-৫৯ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এল অবেথোই চনু (গোল্ড), কেজি ৫১-৫৩ ফাওবগী কাঙলূপ্তা ঐচ দয়ানি (সিলভর) নি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর জীট কুনে-দো টিমনা গোল্ড ৪, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৬ লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ওফিসল ওইনা এন রাইফিচান, পি ঈ টি, ৰাই এ এস অদুগা এ সনধ্যারানি পি ঈ টি, ৰাই এ এস অমদি টেক্নিকেল ওফিসল ওইনা সী ঐচ নিংথেম জে কে এ এমনা লুচিংখি হায়রি।

# ফর্ষ্ট পিদোনু কপ ২০১৯-২০

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস): পি ৰাই পি সী পুংদোংবম্না শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা পিদোনু কপ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম এস সী খুরাই অমসুং রোমা এফ সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা খুরাই এফ সীনা এন এন সী কে এবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা পিদোনু কপ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এম এস সী খুরাই অমসুং রোমা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখি।

এম এস সী খুরাইগী পাঞ্জল অদু রোহিট জর্সি নম্বর ১৭না চনখি। রোমা এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা অভিনাশ জর্সি নম্বর ৬না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা খুরাই এফ সী অমসুং এন এন সী কে এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌরকপগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু খুরাই এফ সীনা ফজবা হেল্লকপদগী মেচ অদু লোইশিল্লকপদা খুরাই এফ সীনা এন এন সী কে এবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরমখি। খুরাই এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এন জি বোনিসন জর্সি নম্বর ৪, এম দি অসলাম জর্সি নম্বর ৭ অমদি সী ঐচ রোহেন জর্সি নম্বর ৫না চনখিবনি।










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com